# লমদম অমা খুন্নাই অমা চাওখৎহনসি হায়রবদি...

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

লমদম অমা খুন্নাই অমা চাওখৎহনসি হায়রবদি মীখলগী মতমদা অশেংবা অফবা মীরেপ খনগৎপা লোয়ননা দেমোক্রেসিগী চৎন-কাঙলোনশিং ইন্দুনা মীখল পাঙথোকপা য়াম্না মথৌ তাই। ইন্দিয়া অমদি ষ্টেটকী লোগী মনুংদা অকায়বা লৈত্রবদি মীরেপ অমনা লেপনীংবা পার্টি অমদা মীরেপ ওইনা লেপকে হায়না চোঙথোরকপদা অয়েৎপা, অথিংবা পীবা হায়বসি দেমোক্রেসিবু খোঙ্গাওনবনি। কোন্না মীরেপ ওইবগী অয়াবা ফংবা-ফংদবা হায়বদুদি পার্টি অদুদা লৈরে। ঙসি ঐখোয়গী ইরমদা পোলিটিক্সতা খোঙদারকপা নহা ওইরিবা মীরেপ কয়া চোঙথোরক্লি, লোয়ননা চোঙথোরকখিগনি। অসুম্না চোঙথোরকপা মীরেপশিংবু হান্নগী এম এল এ অমদি মিনিষ্টরগী ফম পায়রিবা নৎত্রগা পায়রম্বা মীওই নৎত্রগা শেল য়াম্না পায়বা, শঙ্গ লৈবা মীওইশিংনা নৌনা চোঙথোরক্লিবা মীরেপশিং অসিদা খূৎলায় পায়বা, নোংমৈ পায়বা নহাশিং থাজিন্দুনা কিহনবা, মখোয়বু মীখলদা মীরেপ ওইগনু হায়বা, মখোয়গী শৌগৎ খোঙচৎপু থিংজিনবা হায়বসি দেমোক্রেসিগী চৎনরোল নত্তে।

হায়রিবা লোনা য়ারবা মীরেপশিং অসিনা মীখলদা মীরেপ ওইবদা অথিংবা পীবা, কিহনবা হায়বসি মীরেপ অদুগী রাইট মুনবীবতা নত্তনা মহাকপু শৌগৎপীরিবা মীচম মীয়াম্না মখোয়না পামজবা মীরেপ খনগৎপদা শরুক য়াবগী রাইট অদু মাঙহনবনি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা মীয়াম্না মখোয় মখোয়না পামজবা আইন্না য়ারবা মীরেপশিং খঞ্জবগী রাইট লৈ হায়বসি মীপূম খুদিংমক্লা খঙনরবা, য়ানরবা ৱাফমনি। অদুবু মীয়াম্না পামজবা মীরেপ অদুনা ভোট লেপ্পা ফংদ্রবদি মখোয়না করম্না পামজবা মীরেপশিং অদুদা ভোট পীবা ঙমগদৌরিবা অমদি লুচিংবা খনবা ঙমগদৌরিবা, ঙম্লোই। মসিমক্লি চহী কয়া কয়া চত্থদুনা লাক্লিবা ইরমদম কংলৈপাক্তা।

ঙসি ঙসি ঐখোয় ইরমদমগী পাউচেশিংদা তত্তনা তারি, উরি মদুদি মীরেপ অমবু অতোপ্পা পার্টি অমগী মীরেপনা নৎত্রগা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মখোয়না মনীং তম্না ভোট লেপ্পদা নৎত্রগা মীটিং তৌবদা নৎত্রগা শৌগৎ খোঙচৎনচিংবা চৎপদা অথিংবা থল্লি, পীরি করিগুম্বা মরাল অমা হেক্তা পীশিন্দুনা। মসিদি য়াম্না চাওখৎতবা অমদি অপিকপা ৱাখল্লোননি। অতোপ্পা পার্টিনবু ওইরো, লৈঙাক্লবু ওইরো দেমোক্রেসিদদি ফোংনা চোঙথোরক্তুনা মীখল মায়োক্লবা হায়বসি চৎনবীনি। কনানা মীখলদা মায় পাকপা পাক্তবা হায়বদুদি মীয়াম্না য়াবা য়াদবগী মতুং ইল্লি। অদুদি নত্তদুনা ঙম্মী হায়দুনা অতোপ্পা পার্টি অমনা, মীশক খরনা নৎত্রগা পাল্লিবা লৈঙাক্লা হেক্তা মীরেপ ওইবা য়াহন্দবা, থিংজিনবা, কিহনবনচিংবা তৌবদি য়াম্না লাল্লি।

ইম্ফালগী মনুং চন্না লৈবা য়াইস্কুল এ সীদগী মীরেপ ওইগনি হায়না চোঙথোরক্লিবা টি ঐচ বৃন্দাবু শৌগৎপীবা মীওইশিংনা মহাক্কী মীখলগী ওইবা শৌগৎ খোঙচৎ অমা খোঙশানগনি হায়না তৌবদা চে চাং শুনা পুথোকপা ঙমদে হায়বগীরা করিনো চৎহনখিদে হায়না থেংনজখি পাউচেশিংদা। অসিগুম্বা অথিংবসি ইরমদম কংলৈপাক্তদি মরাল অমা হেক্তা পীশিন্দুনা অদুম থিংজিনবা ঙম্মী পাল্লিবা লৈঙাক্লা, মরু ওইনা মীশক নৎত্রগা থৌরম অদুদা পাল্লিবা লৈঙাক অদুদা শোক্লক্কদবা নৎত্রগা মায়োক্তা লৈরবদি। লৈঙাক অসিনদি অয়াম্বা আইন থুগাই-থুগাইদুনা ঙসি ফাওবদা লৈঙাক পায়রক্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই খল্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসি দেমোক্রেসি লৈতবা মফমদা চৎনবা থৌওংনি হায়না থমজগে। করিগুম্বা টি ঐচ বৃন্দানা বি জে পিগী নৎত্রগা লৈঙাক অসিবু শৌগৎপা মীরেপ অমা ওইরম্লবদি মহাক্কী শৌগৎ খোঙচৎ অদু থিংলমগনি হায়বা থাজদে। মসিমক্তি মীয়াম্না হেন্না খঙনবীরবা ৱাফমনি। অনৌবা, অফবা, ঈং-তপ্পা, চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরক্কে হায়রবদি অনৌবা অফবা ৱাখল্লোন শীজিন্নদুনা হান্নগী ফত্তবা, অপিকপা ৱাখল্লোনশিং হুন্দোকপা, থাদোকপা মথৌ তাই। অদুদি নত্তদুনা হান্নগী লৈঙাক্তা সুম চৈদুনা লৈবা অদুগা হৌজিক্কী মখোয়গী ওইবা অরানবা, অপিকপা ৱাখল্লোনদি হোংদোক্কে খনদ্রদি করম্না অহোংবা লাক্কদৌরিবনো।

ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইনা মচেৎ মচেৎ তারক্লিবা, মুত্থরক্লিবা, শোন্থরক্লিবা অসি মতম শাংনা মীখলদা অরানবা পান্বে শীজিন্নদুনা মীয়ামগী অপাম্বগী ৱাংমদা নম্ফু হাফুদা মীরেপশিং খনবগী চৎনবী, হৈনবী অসি লৈরকপগীনি। অসুম্না নম্ফুদা পাল্লি পাল্লিবা লৈঙাক্লা নৎত্রগা মীচং শঙ্গ লৈবা মীরেপশিংনা ফৈ খঙদে, ফত্তে খঙদে নম্ফু নম্ফুদা মখোয় মখোয়গী পাল্লি পাল্লিবা পার্টি অদুগী মীরেপশিংবু মায় পাকহন্দুনা লুচিংবা ওইহন্দুনা লাকপনা ঙসিদি মতিক ময়াইসু অমত্তা য়াওদবা লুচিংবনা পীক থল্লে হায়নরক্লি। করম্বা মরমদম্বু তশেংনা নুংশিজবা অশেংবা লুচিংববু য়াওরিবগে হায়না হংনরিবা অসিনি মীয়াম্না। অশেংবা লুচিংবদি মীখলদা মীরেপ ওইবসু ঙম্নদ্রে অদুগা মীখলদা মীরেপ ওইনা লেপ্পবসু মীখলদি কাবা হায়বদো ওইথোক্ত্রে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা লাক্কদৌরিবা ২০২২ মীখলগী মীরেপ অমনা অতোপ্পা মীরেপ অমবু শৌগৎতুনা ভোট খোম্মী, মহাক্কী লৈকায়দা মীটিং অমদি চাকচা হৈজানবগী থৌরমশিং পাঙথোকপা য়ারোই হায়দুনা য়াম্না থীনা চৈদুনা ময়ূমদা ফাওবা লাক্তুনা খূৎপাক্লা থাবা ঙমনি কায়না কিহনবগী ভোইস রেকোর্দিং অমসু তাখি সোসল মীদিয়াদগী। অসিগুম্বসিসু তৌহঞ্জনীংদে। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা লোগী ৱাংমদা লৈবা মীওই ওইদ্রগদি মীখলদা মীরেপ অমা ওইনা চোঙথোরক্তুনা অতোপ্পগা মায়োক্লবা হায়বসি মীরেপ অদুগী রাইট লৈ হায়বসি কাউফদে। অসুম্না নম্ফু হাফুদা কনাগুম্বা মীওই অমবু শোল্লি নৎত্রগা কনা লৈতে হায়দুনা মীরেপ অমগী মী খোম্বা য়াহন্দবা হায়বসিসু য়াম্না লানবা থৌওং অমনি। মসি তৌবীদবা ফৈ।

লোইশিল্লকপদা, য়াম্না মরু ওইবা পাউজেলদি, ৱারেং অসিবু পাবীরিবা ইরৈচাশিংনা ৱাখল তানা খন্থবীদুনা করম্বা মীরেপনা লৈকায়দা, খুন্নাই অসিদা অফবা পুরক্কনি খন্থবীদুনা অফবা, থবক তৌরক্কদবা মীরেপ্তা ভোট থাদবীয়ু। খুন্নাই অমা চাওখৎহনগে হায়রবদি অফবা, অশেংবা লুচিংবা খনগৎপা য়াম্না মথৌ তাই। অফবা লুচিংবা শেম্বা হায়বসি ঐখোয় মীচমগী খূত্তসু য়াম্না লৈবনি হায়বসি নীংশিংমিন্নসি ইরৈচাশিং। য়াইফমিন্নরসি। ●

# দ্রগ চাবদা লায়চুরবশিং লায়েংবা
## (ভিয়েটনাম এক্সপরিয়েন্স)

- ডা. এম নরা -

ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা থেংনরিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মনুংদা লিশাং শিংনা অমদি তুং কোইনা ৱামিন্নগদবা পোৎলুম অমদি ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবগী মরু ওইনা নহারোলনা দ্রগ লান্না চারকপা অসিনি হায়জনীংই। দ্রগ চারিবা মীশক অদুখক্তা নত্তে শোকহল্লিবসি। শীজিন্নরিবা মশা, মাগী ইমুং-মনুং, কৈরোই-লৈকাই অমদি খুন্নাই অসিমক মপূং ওইনা শোকহল্লি। ইস্যু অসি ঐখোয়গী লৈবাক অসিখক্তগীসু নত্তে, মালেমগী লৈবাক কয়াগীসু পোৎলুম অমা ওইরিবনি। দ্রগ শীজিন্নবসিনা খুন্নাইদা ৱাহল্লিবা অমসুং তুং কোইনা শোকহল্লিবা অমদি শোকহনগদৌরিবসি হায়নীংঙাই লৈতবা খনবদা ফাওবা ৱাখলদা লাম্বা ফংদবা থাক্তা লৈরবনি। মসিবু করম্না থিংগদগে হায়বা ৱাফম অশোমদা ঐহাক্লা থেংনজরকপা ওইথোরকপা য়াবা পান্বে অমতংগী মতাংদা ৱাখল থাদমিন্নসি।

ভিয়েটনাম অমসুং অমেরিকাগী লান লোইরবা মতুং কুমজা ১৯৭৫গী অৱাং অমসুং খা ভিয়েটনাম পুনশিন্দুনা অনৌবা মপূম ওইরবা জাতি অমা নৌনা শেমগৎলকপগী অনৌবা ৱাখল, থৌনা লিংজেল পূন্নমক পুথোক্তুনা মাঙলোমদা কন্না চৎখৎলকপা কুমজা ১৯৯২গী দিসেম্বর থাদনি ঐহাক্লা থেংনজরুবা।

ভিয়েটনামগী ত্রেদিসনেল সিষ্টম ওফ মেদিসিন য়েংহন্নীংদুনা ঐখোয়বু ওরিয়েন্টেল মেদিসিনগী ফার্মাসি অমদা পুবীদুনা য়েংহল্লি। হীদাক খরা খুদোল তৌরকখি। মদুগী মনুং তাং-তাং চিকপা অমসুং শরূ পোমখৎপগী ফনবা হীদাক, কৈগী শরূদগী শুংবনি হায়বা য়াওরকখি। ঐগী ইমাগী শরূ পোমখৎপগী লায়না লৈবা মতমনি। হীদাক্তু য়ূমদা হল্লকপা মতমদা ইমাদা পীজখি, য়াম্না কান্নবা ফংখি। অদুবু মখা চত্থনবা পান্বে ফংখিদবনা চত্থখিদে। ওরিয়েন্টেল ফার্মাসিদগী থোরক্লগা দ্রগ দিএদিক্সন সেন্টর অমদা পুদুনা দ্রগ চাবদা লায়চুরবা অনাবা ময়াম অমা য়েংমিন্নে। মসিগী ৱারী অসিনি ঐহাক্লা য়াম্না মরু ওইনা লৌজরিবসি। লান লোইরদুনা খা অমসুং অৱাং ভিয়েটনাম পুনশিল্লে, অপূনবা লৈবাক অমা ওইরক্লবসিদা অনৌবা সমস্যা কয়া থেংনবা হৌরকখি। মদুগী মনুংদা নহারোল লাখ মঙাগী মথক্তা দ্রগ চাবদা লায়চুরবা মীওইশিং ওইরমখি। মখোয়শিং অসিবু করম্না শেন্নগদগে অমদি রিহেবিলিটেদ তৌদুনা খুন্নাইদা লৈমিন্নবা য়াবা সিটিজনশিং ওইহনগদগে হায়বসিনি মখোয়গী অচৌবা পুবা থাংবা ঙমদবা পোৎলুম।

অহানবা খোঙথাংদা নহারোলশিং অসিনা দ্রগ চাবা ফংলক্তবা মতমদা উৎলকপা লায়ওংশিং হায়বদি ৱিদ্রোয়েল সিন্দ্রোমশিংদগী ঙাকথোক্লবা দিএদিক্ট তৌনবা হোৎনবা। মসিমদি লাইবক ফবা হায়গদ্রা মখোয়গী ত্রদিসনেল সিষ্টম অমা ওইরিবা এক্যুপঙচর (পিন থিনবী) না য়াম্না লায়না মিনট ৬কী মনুংদা থিংবা ঙম্লে। মদু সেন্টর অদুগী দাইরেক্টর মশা য়াওনা ঐখোয়দা দেমোন্সত্রেদ তৌদুনা উৎলে। অসুম্না মতম খরা থম্লগা অতে অতে হায়বদি চাবা থকপা, সোসল লাইফতা লাক্লবা স্পোর্টস, কলচরেল প্রোগ্রাম অমদি সোসল সাইন্সকী বেসিক ক্লাসেস তৌবীদুনা নোর্মেল লাইফতা হঞ্জিনহনবা। অহানবগী খোঙথাং অসি মায় পাক্লবা মতুংদা ময়ূম-ময়ূমদা হলহনখ্রবা তুংদা খরা লৈরগা রিলাপস তৌদুনা লাকপসি য়াম্না য়াওই হায়। মরমদি মখোয়না য়ূমদা লৈরবা মতমদা হান্নগী মখোয়গী মরুপ-মপাংশিং থেংনরুরগা হান্নগী হৈনবীদুদা অমুক খোঙদামিন্নে। মসিনি অমুক হঞ্জিন্দবা ফিরেপ হায়বদি লোং টর্ম পোলিসি অমা শেম্বা তঙাইফদ্রিবসি।

লূমখ্রবা পোৎলুম অসি লৌথোক্লবা হোৎনবা অরাইবা থবক অমা নৎখিদে। লৈঙাক্কী মকোক থোংবশিং অখাকপা লৈতনা কন্না হোৎনদুনা চেলেঞ্জ অসি মায়োক্লখি। লৈবাক অসিদা ইথনিক ত্রাইব ৫৪ লৈ। মসিদা নোমেদিক ত্রাইবশিংসু য়াওরি। নোমেদিক ত্রাইব হায়বদি য়াম্না তোয়না খুন হোং হোংদুনা অদুম চৎপা (মফম অমদা খুন্দাদুনা লৈতবা) ইথনিক ত্রাইব য়াম্না লৈবগী মশাগী ওইজবা প্রোব্লেমশিং কয়া অমসু লৈজরিবনি হায়বদি কাঙলূপ অমগী ষণ, ইরোইনা অতোপ্পা ত্রাইব অমগী লৌ চারুবগী খৎন-চৈনবদা হেঞ্জিন্নরক্তুনা য়ূম মৈ থান্নবনচিংবসু মরক মরক্তা য়াওদবা নত্তে। মদুগী মথক্তা ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নবগী লাইচৎ অসিনা অমুক্লা হেন্না লুশিল্লকপা সোসল, ইকোনোমিক অমদি পোলিটিকেল প্রোব্লেমশিং ওইশিল্লকখি। পূন্নমক্তু ঙসিদি ঙাকথোকপা ঙম্লবা লৈবাক অমা ওইরক্লে ঙসিগী ভিয়েটনাম। ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ঈপাক্তা তাওদুনা শিবা চঙবগী লংদাইদা লৈরুরবা নহারোল লাখ কয়াবু অনৌবা পুন্সি অমদা পুরকপা ঙমখিবা করম্না ওইথোকখি? চীং, পাৎ, তুরেল অমদি তম্পাক্কী লম্না মরাং কায়না লৈবা, চাওরবা চীংজাও পরেং অমসুং শক্তি লৈরবা কল্লবা সমুদ্রনা কোয়শিন্দুনা লৈরিবা ভিয়েটনাম মণিপুরগা হায়ফেৎ মান্নবা শক্তমনি। মীওইশিংসু পিক্তক তৌবা, শক-চু ঐখোয়গা মান্নবা ফুরুপ অমনি, চিঙ্গাকসু হায়রপ মান্নে, হৱাইজার, উশোই, শোইবুম, য়োংচাক চাবা মীশিংনি, চেঙহি লুজবা লমনি। নহারোল লাখ মঙা হেনবগী পুন্সি কন্নবা হোৎনবা অমসুং ইথনিক প্রোব্লেমশিং সোল্ব তৌনবা হোৎনবদা ভিয়েটনামগী লৈঙাক্লা অনৌবা পোলিসি অমা পায়খৎপা হৌখি লানগী মতুংদগী। পাক চাওখ্রবা লমলেম, লমজাও, চীংখোঙ-চীংয়া পূন্নমক্তা উহৈ পানবা উশিং থাবগী প্রোগ্রাম অমা পায়খৎলে। উ মঙ্গ্রাদগী হৌদুনা হৈনৌ, থৈবোং, মঙ্গে, কেসিউ নট অমদি ভিয়েটনামগী মমিং লৈরবা মিলকি ফ্রুটনচিংবনি। উ থাবগী পৈশা পীরে, অরোকপা উহৈশিং য়োঞ্জবগী শেলসু শুরিবা কাঙবুনা ফংহল্লে, লোয়ননা মখোয় ময়ামদু লৈজনবা য়ূম শাদুনা পূন্না পূন্না লৈহনবা হৌরে। মমৈথংদা মখোয় ময়াম লৈবদা নুংঙাইনবা য়ূম শাবীরে, অঙাংশিংগী স্কুলশিং ভিলেজ দিস্পেন্সরি, শান্নবুং লোইনা শেমগৎ শাগৎপীরে। হৌজিক্তি অসুম্না শেমগৎ শাগৎলকপনা মোদেল ভিলেজ অমমমগী শক্তম ওইরকখ্রে। ঐহাক্লা লিজরিবসি কুমজা ১৯৯২গী দিসেম্বর থাখায় চল্লকপা মতমগীনি। ভিয়েটনাম লৈঙাক্কী মিনিষ্টর ইন-চার্জ ওফ দি ইথনিক ত্রাইবসকা ইন্টরেক্ট তৌনবদা খঙহনবীরকখিবা ৱাফমশিংনি। পুং ৪৮ চুপ্পা হায়বদি নুমিৎ নীনি চঙনা ত্রেন্দা হানোয়দগী হো-চি-মিন সহর ফাওবা লাকপদা চীংনুং মানুং কয়া ফাওদুনা লাকপদা মরু কোকপা চীংমায় ইউ উরক্তে, হৈ-রা পান্বী অমদি জঙ্গলগী জঙ্গল ঙাক্তা ওইনা উরকখি। উ মঙ্গ্রা পুবা ত্রক য়াম্না চৎলি পরেং পরেং। মসিদগী ইন্দষ্ট্রিয়েল অলকোহোল মরাং কায়না শুংদোক্লগা মপান লৈবাকশিংদা য়াম্না থাদোক্তুনা ভিয়েটনামগী ইকোনোমিদা চাওনা মতেং পাংলি। উহৈ, উ মঙ্গ্রাদগী শুংবা রেক্টিফাইদ স্পিরিট অমদি চেঙ থাদোকপতনা ভিয়েটনামগী ইকোনোমি চাং য়াম্না ৱাংখৎলি। অতোপ্পা লৈবাক্তা চেঙ য়াম্না থাদোকপা ঙম্বদা ঙসিদি ভিয়েটনাম্না খ্বাইদগী চেঙ থাদোকপা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইরে। চহী অমদা ফৌগী চাথোক অহুম্লক লোকপা ঙম্বা লৈবাকসু ভিয়েটনাম ওইরে।

ঐহাক্লা পাউদমজনীংবশিংগী মনুংদা খোঙচৎ অদুদা হুৱা-বিন প্রোভিন্সকী এক্সপরিয়েন্স খরদংগা থমজগে। ঐখোয় মণিপুরগী চুড়াচান্দপুরগী শক্তম প্রোভিন্স অসিদা লৈহৌই। চীংমায়দা য়ূম শাদুনা লৈহৌবা মদুসু কাংথক নাইনা শাবা য়ূমশা অমদি ঈশিং খোংদগী নুপীশিংনা ঈশিং হোনবগী চৎনবী অমসুং ফিজেৎ চাকচা (ফিগী-দিজাইন) পূন্নমক্তা য়াম্না মান্নে, লোলগী মান্নবসু শোয়দনা য়াওরমগনি হায়না ঐহাক য়াম্না কন্না থাজবা ফাওই। হুৱা বিন হায়দ্রো পৱার প্লান্ট অসি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা সোভিয়েট লৈঙাক্কী মতেংগা লোয়ননা য়াম্না ষ্ট্রেটেজিক ওইবা পৱার প্লান্টনি। কুমজা ২০১৮দদি প্লান্ট অসিগী পৱার আউটপুট খ্বাইদগী য়াম্না বিল্লিয়ন 11.25 kWh পুথোকপা ঙমখি। প্লান্ট অসি য়েংবা চৎপদু অঙকপা দৃশ্য অমা ওইখি। ৱাংলবা চীংথক্তুদা চাওরবা সমুদ্র অমা লৈরম্বগুমই, মঙদা ফাওবা অমুক্তা উখিদ্রি। কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর ৯দা প্লান্ট অসিগী চহী ৩০ শুরকপগী থৌরমদা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টরনা সর্টিফিকেট ওফ মেরিট পীখি। মরমদি প্লান্ট অসিগী পৱার সপ্লাইদা মীয়াম্বু নুংঙাইহনবা, ঈশিং ঈচাও অমদি ঈকং থোকহন্দবদা মহাক্লা লৌরিবা রোল শিংথানীংঙাইনি। প্লান্ট অসি ওপরেট তৌরকপদগী হৌজিক ফাওবদা এক্যুমুলেট তৌরিবা পৱার আউটপুট অসি বিল্লিয়ন 228 kWh য়ৌরে। ঐহাক্লা য়েংজরুবসি কুমজা ১৯৯২গী দিসেম্বর থাদনি। মতমদু ওপরেট তৌবা হৌবা কুইদ্রিবনি। মতমদুদা ঐহাক্লা চহী ১০গী মনুংদা অমুক্তংগা লাক্তুনা য়েংনীংই হায়রুই। চীফ ইঞ্জিনিয়র অদুনা খুম্লকখি, করিগী চহী তরা? ঙসিদগী চহী মঙাগী মনুংদা অমুক্তংগা লাকপীয়ু, মপূং ফানা ওপরেট তৌবগী শক্তমদু উহনজগে হায়না মথম্মোয়দগী চাউথোক্লা হায়রকখি। ●

ষ্টেটকী পাউ

# মহৈরোয়শিংদা খোইরাং খোইশাওনবা পোকহল্লে: য়াইমা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচএনএস): সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি অমা ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টতা ২০২১-২২গী এম এ ফর্ষ্ট সেমিষ্টর তম্ননবা থা অসিগী ১৭তা পাঙথোকখিবা এন্ট্রান্স ইগজাম টেক্নিকেল প্রোব্লেমনা মরম ওইদুনা ইগজাম তৌখিদবা অসি লাইবক থিবনি। মসিনা মহৈরোয়শিংদা খোইরাং খোইশাওনবা পোকহল্লে হায়না সোসলিষ্ট ষ্ট্যুদেন্ট য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম) গী প্রসিদেন্ট সোরাইসম য়াইমনা ফোঙদোকখ্রে।

এস এস য়ু এমগী ওফিসতা পাঙ-থোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, টেক্নিকেল প্রোব্লেম থোক্লিবা অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা হোৎনমিন্নবা হায়নসু এম য়ুগী ভাইস চান্সেল্লর অমদি মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট য়াওনা এস এস য়ু এমগসু ৱারী শানখ্রে । এম য়ুগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী এন্ট্রান্স ইগজাম অসি মমাঙদসু মতম চানা হৌখিদবগী থৌদোক লৈখি। মদুদা লুপ অসিনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা থবক কয়া'মসু পায়খৎখি। চহীসিদসু এন্ট্রান্স ইগজাম মতম চানা হৌবা ঙমদবগী ইগজাম য়ৈথোকপা অসি লাইবক থিবনি হায়না লৌই। মসিনা ইগজাম থাবা লাকখিবা মহৈরোয়শিং অমদি মমা-মপাশিংদা খোইরাং খোইশাওনহনবা অমা পোকহনখিবা অসি য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমনি হায়রি।

মহাক্লা মখা তারদুনা, এস এস য়ু এমগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎনবা ভাইস প্রসিদেন্ট হিজম ঙানবা, ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খ্বাইরাকপম রোমিও য়াওনা ইগজেক্যুটিভ মেম্বর ৮ নৌনা খন্দুনা খূদক্তগী ২০২১-২২ ফাওবা থবক তৌনবসু খনখি হায়না ফোঙদোকখি।

# ইলেক্সন মমাং অমদি লোইখ্রবা মতুংসু মীয়ামগা অদুমক লোয়নরগা চৎকনি : আর কে রামেশ্বর

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচএনএস): মণিপুর পোলিটিক্সকী পুৱারীদা চৎনদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লিবা ভোট ময়াদা কেন্দিদেটনা মীয়ামগী নাক্তা চৎপা অমদি ইলেক্সন লোইখ্রগনা মীয়াম্না অমুক এম এল এগী নাক্তা চৎপগী চৎনবি অসি মীয়ামগী সপোর্ট ফংলবদি হোংদোকচরমগে হায়না পাৎশোই এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট আর কে রামেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।




ৱাফম অসি চঙাঙ্গৈ অপুনবা য়ুনিট কম্মিটিনা শিন্দুনা চঙাঙ্গৈ ৱাটর সপ্লাই লম্পাকতা পাঙথোকখিবা চঙাঙ্গৈ পিপলস কনভেন্সন ইন সোলিদরিটি ৱিথ আর কে রামেশ্বর হায়বা থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুনা মহাক্লা মখা তানা হায়, মীয়াম্না য়াম্না ৱারৌনরিবা অসি ইলেক্সন মমাংদনা মীয়ামগী নাক্তা লাক্তুনা ভোট খোম্লবা অদুগা ইলেক্সন লোইখ্রগনা উনবা ফাওবা ফংদবা অসিনি। অদুবু ঐগী ওইনদি ইলেক্সন মমাংদসু অমদি ইলেক্সন লোইখ্রবসু মীয়ামগা অদুমক লোয়নরগা চৎকনি। মরমদি ঐনা মীহুৎ অমা ওইনা থোক্লক্লিবসি ইশাগী কান্নবগী থবক তৌগে হায়না থোক্লকপা নত্তে। পাৎশোয় এ সীগী মীয়ামগীদমক থবক তৌগে হায়না থোক্লকপনি। মীয়ামগী থবক তৌগে হায়না থোক্লক্লগা মীয়াম্না পুন্না চৎমিন্নদ্রবদি এ সী অসিগীদমক পাঙথোক্কে খঞ্জরিবা থবকশিং পাঙথোকপা ঙম্লোই। মীয়ামগা পুন্না তান্নরগা থবক তৌমিন্নরবা মতমদতা মীয়ামগী মপুংফানা থবক তৌবা ঙমগনি হায়বসি ঐহাক্কী অচেৎপা থাজবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, অওনবা পাৎশোয় অমদি অনৌবা মণিপুর অমা পুরকপা হায়বসি ঐ খক্তনা হোৎনরগা পুরকপা ঙম্লোই, ঐখোয় পূন্নমক অমত্তা ওইনা লিংজেল মান্নবগা লোয়ননা তাথোক-তাশিন অমদি লৈত-লায়রা মতেং পাংমিনরবা মতমদতা ওইরকপা ঙমগনি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা চঙাঙ্গৈগী মীয়াম্না কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা আর কে রামেশ্বরবু পুন্না শৌগৎপা অমদি অতোপ্পা কেন্দিদেট অমত্তগী মীটিংদা চঙাঙ্গৈ খুলগী মীয়াম্না শরুক য়াদবা হায়বা ৱারেপ অসি অমত্তা ওইনা লৌমিন্নখি হায়রি। ঙসিগী মীয়ামগী ওইবা কনভেন্সনগী থৌরম অদুদা চাওরাক্লা মীওই লিশিং ৩০০০মুক্লা শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রো. ৱাংখেম নবকুমার, চঙাঙ্গৈ মখা লৈকায়গী লোংজম গোপিনাথ, চঙাঙ্গৈ উচেকোন লৈকায়গী তাউরেম বিরা অমদি চঙাঙ্গৈ মনিং লৈকায়গী থিঙুজম ইবোচানা প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

/ ইংখোল য়োঞ্জরি

পোইন্ট ৮ পাক চাওবা ইঙ্খোল অমা য়ূমগা কোন্ননা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পাম্বীরবদি মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।
মফম : লমশাং মখা লৈকাই
Contact No. : 8131042194
8794761374
HL-P/0388/19,20,21

/ DOCUMENT LOST

I have lost my Original Certificate, Marksheet and Admit Card of High School Leaving Certificate Supplementary Examination bearing Roll No. 10335 of 2000 on the way from Umathel to Kakching on 01/10/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Thingnam Premita Devi**
Kakching Khunou Umathel,
# 8837447604
HL-P/0415/21

/ MLA LOUREMBAM RAMESHOR MEITEI বু উরুপ প্রজানা থাগৎচরি

ঙসি তাং ১৮/১০/২০২১ ইং,গী অয়ুক্কী পুং ৭:০০ তাবা মতমদা ইবুধৌ ফুনাল নিংথৌ থৌগল লুপ উরুপকী, খূদক্কী ওইবা মীফম অমা লুপসিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা লাইশ্রম সান্তিকুমার (ননে) মৈতৈনা ময়াই তাংবল লৌবীদুনা নৌনা শাগৎলিবা Community Hall অসিগী মতাংদা ইবুধৌগী শঙলেন্দা মীফম অমা পাঙথোকখি।
হায়রিবা মীফম অসিদা কুপ্পা খন্নরবগী তুংদা মখাগী ৱারেপশিং অসি মোৎ অমত্তা ওইনা লৌখি।
অহানবা ৱারেপ : উরুপ ফুনাল নিংথৌ হরাওফম লাই লাইবুংদা মতম কয়াগী মমাংদগী মতমগা চুনবা Community Hall অমা শানবগীদমক্তা প্রজাশিংগী ৱাখলদা লৈজরম্বা অদু উবীদুনা কেন্দ্র অসিগী MLA (6 Keirao A/C) গী Lourembam Rameshor Meitei না অচঙবা শেলফম পূন্নমক পুথোকপীদুনা কম্যুনিটি হোল অসিবু শাবীদুনা প্রজা মীয়ামগী অনিংবা থুংহনবীবগীদমক্তা ইবুধৌ ফুনাল নিংথৌ থৌগল লুপ উরুপকী থৌমীশিং অমদি প্রজাশিংনা ঙমখে লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।
লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ২০২২গী Election অসিদা MLA Lourembam Rameshor Meitei দা থৌগল লুপকী থৌমীশিং অমদি মচা-মনাই ওইরিবশিংনা পূন্না শৌগৎপা হায়না লেপ্পরে।

Sd/- **Laishram Santikumar Meitei**
President, Ibudhou Phunal Ningthou Thougal Lup,
Urup
HL-P/0417/21

ADMISSION OPEN

FOR THE FOLLOWING COURSES
1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com

PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL
HL-B/7197/2/10-31/10

## REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES

(An autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Govt. of India)
IMPHAL : MANIPUR - 795004

/ INDICATIVE ADVERTISEMENT

Imphal, the 19th Oct., 2021

**No. B/3574/2021-RIMS/9768:-** Applications are invited from eligible Citizens of India for appointment to the post of Chief Accounts Officer-cum-Financial Adviser, Regional Institute of Medical Sciences, Imphal so as to reach the office of the undersigned on or before 20th Nov., 2021. Applicants willing to join the service on deputation may also apply for the post.

1. Pay Scale :- Level - 12 of 7th CPC
2. Education Qualification and Experience
   - i) Essential
     B. Com degree from any recognized University.
   - ii) Desirable
     M.Com Degree holders/Chartered Accountants.
   - iii) Experience
     5 (five) years experience in handling finance and accounts in Government Department or any Public Body in a Supervisory capacity.
     Preference will be given to persons experienced in similar Medical Colleges/Hospital Administration and Accounts.
     On Deputation
     An Officer of any Central Accounts Service or Subordinate Accounts Service or any of the State Finance/Accounts Services with at least 6/7 years experience in a supervisory capacity.
3. Age limit :- Below 45 years.
   (Relaxable 5 yrs. For Govt. servant/SC/ST and 3 years for OBC candidate)
4. Reservation : General (unreserved)
   Detail information may be seen from RIMS website (www.rims.edu.in). Intending candidates are advised to visit the RIMS website from time to time for any modifications/corrigendum if any.

Sd/- **K. Doungel,** Deputy Director (Admn.),
Regional Institute of Medical Sciences, Imphal
HL-B/7235/21